ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



মণিপুর হার্ট ফাউন্দেশন ইম্ফালগী স্পোন্সরশিপ মখাদা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদনা থৌবালগী লূপ অনীগা খুৎশম্নদুনা মেলা গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ফ্রী হার্ট স্ক্রিনিং কেম্পতা পেসেন্ট অমবু লায়েংখিবা


থম্মোয় পাউদম : নোংপোক অমসুং নোংচুপ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ লাইফ জিন বেঙ্ক

অরিংবা লৌফমদা নাপীশিং লাকশিনবা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুরী কলচরগী মচাক ওইরিবা খোংজোম ...

ইলেকশন কম্মিসননা বিহারদা য়ূমথোঙগী ভোটর... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ : ইন্টরনা উরাৱা রেদ্‌স ...


মণিপুরগী ৱি ক্যের স্কিল সোল্যুসন্সকী মেনেজিং দিরেক্টর ৱাঙখৈরাকপম শ্রীমানগা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা লীলা এম্বিএস কনভেন্সন হোটেল, ন্যু দেল্লীগা 'মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং' অমা খুৎয়েক পীনখিবা



Vol. 49, Issue No. 083 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ইন্দিয়াবু য়ু এসনা শকখঙবা লৈবাকশিংগী মনুংদা লেভেল টুগী মখাদা থল্লে

## ভাইওলেন্স থোক্লি হায়দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখোয়গী মীওই অমত্তা মণিপুরদা চত্তনবা খঙহনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২২ (এজেন্সী) :** ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা জৱাহরলাল নেহরুনা মণিপুরবু ভারতকী মনিনি হায়দুনা শীংথারম্বদা নত্তনা ষ্টেট অসিবু লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক্কী স্বিটজরলেন্দনি হায়না ফাওবা শীংথানখ্রবসু মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা তমথীরবা ভাইওলেন্স/ক্রাইম কয়ানা শলাক শাহল্লকপদগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লুচিংলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লৈঙাক্না মণিপুরদা লৈবাক অদুগী মীওই অমত্তা চত্তনবা পাউতাক পীখ্রে।




তোঙান তোঙানবা পাউগী এজেন্সীশিংনা তৌনরকপা রিপোর্টশিংনা হায়, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্দিয়াবু মখোয়না শকখঙবা লৈবাকশিংগী মনুংদা 'লেভেল-টু' গী মখাদা থল্লে হায়রদুনা অমেরিকাগী মীওইশিংনা ইদি দয়াদা চৎপগী মতাংদা খ্বাইদগী অনৌবা পাউতাক (এদভাইজরি) অপদেট তৌদুনা খঙহনখ্রে।

য়ু এস লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈবাক অদুগী মীওইশিংদা পীবা পাউতাক্কী মতুংইন্না মণিপুরদা হৌজিকসু ক্রাইম অমসুং ভাইওলেন্সকী অকিবা থৌদোকশিং থোক্লিবনা য়ু এস মচা অমত্তনা মণিপুরদা চৎলোইদবনি হায়বসিনি।

মণিপুরদা হৌজিক ফূরুপ্তা য়ূম্ফম ওইবা কনফ্লিক্টশিং থোক্লিবনা পাক শন্না ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোক্লি অমসুং ফূরুপশিংগী মীওইশিং লৈফম-চাফম খঙহন্দ্রি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা টার্গেট তৌবা এটেকশিং চাং নাইনা চথুরি। মসিনা মরম ওইরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা মণিপুরদা চৎকে হায়রবদি চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা অয়াবা লৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু পাউতাক অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

মণিপুর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী নোর্থ-ইষ্টর্ন রিজনগী ওইনা খরা পাকথোক চাউথোক্লা য়েংলবসু য়ু এস লৈঙাক্না পীরিবা পাউতাকশিং অসিনা টেররিজম অমসুং ভাইওলেন্সকী খুদোংথীবশিংগী মনুংদা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা কৈথেলদা অমসুং রেলৱেগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবদা বোম পোকখায়হনবা য়াওনা এঠনিক ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংনা ভাইওলেন্ট এক্টিভিটিশিং রিজন অসিদা চথুরি হায়রদুনা ইন্দিয়াগী নোর্থ-ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা চৎকে হায়রবদি রিজন অসিদা লৈরিবা টেরিজম অমসুং ভাইওলেন্সনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লৈখিদ্রবী ক্রু মেম্বর কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোইগী হকচাং পুরকখ্রে মীৎকী পি অমসুং অঙাংবা লৈশিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট থনখ্রে

### ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ তারমদাইদা মহাক্কী পোক্লফম লমদমদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে





**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :**

এয়র ইন্দিয়াগী পাইলোট অনী, ক্রু মেম্বর ১০ খক্তা নত্তনা তোংখিবা পেসেঞ্জর ২৩২ অমসুং এয়রক্রাফ্ট অদুনা থোমজিনবদগী অশি-অনা মায়োক্লখ্রবা বি জে মেদিকেল কোলেজগী হোষ্টেলদা লৈখিবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা নুমিৎ জুন ১২, ২০২৫গী নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা লন্দনগী গেটৱিক এয়রপোর্টতা লমথুংফম ওইরুনবগীদমক অহমেদবাদকী সর্দার ভল্লবভাই পটেল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতগী পাইখৎলকপদা ঙাইরিঙৈদা কাইদুনা মীশি মীনা য়াম্না থোকহনখিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী এয়র ইন্দিয়াগী ক্রু মেম্বর কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোই (২২) গী হকচাং ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

মহাক্কী হকচাংনা পুংফম অসিদা থুংলরগনি হায়বদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসিদগী নুমিৎ মঙানি চূপ্পা নাগাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা লোয়শঙশিং থিংজিল্লগনি

### বোর্দর ফেন্সিং অমসুং এফ এম আর থুপচিনখিবগী মায়োক্তা অন্সমগী খোঙজং

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মমাঙ চহী ২০২৪গী ফেব্রুৱারী ৮দা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা চৎনহল্লম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) থুপচিনখিবা অমসুং ঙমখৈ পরিং অসিদা শম্বল খাবগী থবক মখা চথরগনি হায়দুনা ফোঙদোরকখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন মণিপুর (অন্সম) না নাগা তাবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

খোঙজং অসি চঙশিন্নবা ৱারেপ্পা থা অসিগী ১৬তা সেনাপতিদা পাঙথোকখিবা অন্সমগী প্রসিদেন্সিএল কাউন্সিলগী মীটিংদা লৌখিবনি হায়রি।

খোঙজং অসিদা অন্সমগা চৎমিন্নবা অমসুং মতেং পাংবা লূপশিংসু শরুক য়াবগা লোয়ননা নাগা মীয়ামগী য়েলহৌ লম অমসুং নাগা ইমুং-মনুংশিংগী ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবগীদমক খোঙজং অসি চঙশিনবদা শরুক য়াগনি হায়রি।

খোঙজং অসি খক্তা নত্তনা ঙমখৈ শম্বল খাবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## কোভিদ-১৯ : মণিপুরদা থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ১৪৫ শুরে

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২০ ইরাই নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্টশিংনা নাহনবা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস ওইরবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ৫,৯৭৬ ওইরম্বদগী ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতদি পোজিটিভ কেস ওইরম্বদগী ফগৎলক্লুনা দিসচার্জ তৌনখিবশিং খায়দোকখ্রগা লেমহৌবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ৫,০১২দা হন্থরকখ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি ঙরাং ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ১১২ ওইরম্বদগী ঙসি ফাওবদা থেংনবনা ১৪৫ শুরে হায়রি।

লায়না অসিগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা ওফিশলশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থোরকপা কোভিদ-১৯গী ষ্টেটস অপদেট রিপোর্টনা হায়বদা ঙসিগী ওইনা অপূনবা সেম্পল ১০১ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৩ থেংনরে। মরম অসিনা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ১৪৫তা হেনগৎলকপনি হায়রি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা কেস ১০৩ থেংনদুনা ঙসি ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পোজিটিভ কেস থেংনবা দিষ্ট্রিক্ট অসিনা ওইরে।

## থৌবাল কৈথেলগী মীয়াম্না শিন্থা লেপ্তুনা ঙাম্থোইগী হকচাং ওক্লগা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** লৈখিদ্রবী ক্রু মেম্বর কোংব্রাইলাৎপম ঙাম্থোইগী হকচাং ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরক্লবা মতুংদা মফম অদুদা মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা উৎলগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক মহাক্কী পোক্লফম লমদম থৌবাল অৱাং লৈকায় তম্না পুরকপদা ওক্তুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নবগীদমক থৌবাল কৈথেলগী মীয়ামদি শিন্থা লেপ্তুনা পাল্লবা এসিয়ন হায়ৱেগী নাক-য়েৎতা লৈ পায়দুনা লেপ্লগা ঙাইনখি।

থৌবাল অৱাং লৈকায়গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



## কোনুং মনুংগী চৎপা য়ারক্ত্রবা লম্বীশিং মরী লৈনবা এম এল এনা য়েংশিনবীয়ু : ৱাই ইবেয়াইমা



**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী কোনুংগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিং অমসুং লাই খুরুম্বা লাক পশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা লম্বীশিংগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রিবা অসি মরী লৈনবা এম এল এনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সনা কোনুং মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম ইবেয়াইমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাই খুরুম্বা লাকপা অমদি পোৎ চৈ য়োল্লিবশিংনা প্লাষ্টিক বোট্টল অমদি চেরংনচিংবা হুন্দোক্লবদি অকনবা চৈরাক পীরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইঙেনগী নীনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা কাঙগী মাঙওইননা চহী খুদিংগী ওইনা কোনুংগী অকোয়ববু লূ-নান্না থম্নবা ঙসি শিৎ-শেংখিবদা মহাক্না হায়, চহী খুদিংগী কাংগী মাঙওইননা পেলেস কম্পাউন্দ য়ুথ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নাওরেমথোংগী দি আই সী রোদতা লৈবা মৈরা শঙ মনাক্তা বোম পোকখায়হল্লম্লে



**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তারকপদা লম্ফেল পুলিসনা কোল্লিবা নাওরেমথোংগী দি আই সী লম্বীগী মৈরা পায়বীশিংগী মৈরা শঙ মনাক্তা শকখঙদবশিংনা বোম অমা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা লম্ফেল পুলিসকী টিম অমা লাক্লুনা য়েংশিনখি অমসুং পোকখায়খ্রবা বোম অদুগী মচাকশিং খরা রিকোভর কৌখি। মখা তানা পুলিসনা থি-হুন্বগী থবক চথবদা লোৎলম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং ৱায়র খরসু ফংলে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌওং অদুবু মৈরা শঙ অসিগী মৈরা পায়বীশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কনানা করিগীদমক মৈরা শঙ মনাক্তা বোম পোকখায়হল্লম্লিবনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীরকউ হায়খি।

### মচা ২ লৈরবী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ১ তূম্লিঙৈদা মঙক্তা থাঙনা লেন্দুনা হাৎলম্লে




**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা নুপী অঙাংদা তাথী-তাওইনা তৌবা থৌদোকশিং থিংদুনা থোকহন্দনবা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী ৱায়েলশঙ ফাওবা তোঙান্না লিংদুনা অকনবা থবক লৌখৎলকপদা নত্তনা নুপীদা পৱার হেন্না পীননবা ৱিমেন এম্পৱারমেন্টকী মখাদা লৈঙাক অমসুং লূপ কয়ানা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা অঙাং অনীগী মমা ওইরবী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমা তূম্লিঙৈদা মঙক্তা থাঙনা লেন্দুনা হাৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি কৈখু মনীং লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবীগী য়ুমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবীগী মমিং সিমা শহানি (৪৭) কৌই, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কাদিরগী মীহাৎতা চেন্নবা ম্যেন এক্ক্যুজ খাবা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :**

পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী চেসম অব্দুল কাদিরবু হাৎলবা মতুংদা নম্বুল তুরেল মপান্দা ফুমজিল্লগা থল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা কেসকী ম্যেন এক্ক্যুজনি হায়বা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট অমগী কম্মান্দর লোংজম খাবা এলিয়জ বোই (৩৫), য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোং ঙসি মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকায় অরুবম লৈকায়গী পুথিবা লাইবুং কমপ্লেক্স মনাক্তগী ফারে হায়না ঙসি নুমিদাং পুলিসনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### য়ু জি মরি ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা ইম্ফাল ইষ্টকী মফমশিংদগী প্রিপাক (প্রো) গী কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী থিংবাইজম ফিলিপ, হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকায়দগী লৌরেম্বম কুমার এলিয়জ কান্তো (হৌজিক্লা শওম্বুং রিলিফ কেম্পতা লৈবা), উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী লাইশ্রম হরিদাস এলিয়জ হোলাইবা অমসুং হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দগী য়ুম্নাম অকাস কৌবা কাদর ৪ খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### মশাগী লোয়নবী হাৎপগী মরালদা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ রোম তারকপদা কৈখু মনীং লৈকায়দগী সিমা শহানি কৌবী নুপী অমবু হাৎপগী কেসকা মরী লৈননা মহাক্কী মপুরোইবা মুজিবুর রহমন (৪৫) পুলিসনা ৱাহং-পাউহং তৌনবা কৌখৎখিবদু কেস অসিগা মরী লৈননা ফারে হায়রি।

### সী পি আইনা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** হন্দক মায়োক্লখিবা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং অহুমদা সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা চেঙ অমদি মোম্পাকশিং তেংবাঙখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি খুরাই হৈক্রুমখোঙদা লৈবা ইমুং অহুম অমদি রিলিফ কেম্পতা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী মতেং পাঙখিবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### দি এম সী সাইন্সতা বি এস সী সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্লিবা প্রেমকুমারনা হায় :

## ইমা-ইপাগী পোৎলূম হন্থনবগীদমক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মরূ-মরাং, সাপোন, কাং হীদাক্লচিংবা য়োল্লি

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরনা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী ঙসি ফাওবদা চহী ৭৫ হেন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখ্রবসু পীক্লবা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন অমসুং পূন্সি মহিংগী অশেংবা শক্তমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ময়েক শেংনা উবা ফংলে।




ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী নাওয়োমনুংদা য়োল্লিবা মরু ওইবা কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সতা বি এস সী সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্লিবা মশাগী চহী ২০ লোমদা শুরিবা মহৈরোয় অমা মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীনা ইমুং পুবগা লোয়ননা মচিন মনাওশিং শেম্বদা পুরকপা পোৎলূমশিং খরদং ওইরবসু হন্থহন্নবগী পান্দমদা মহৈ তম্না-তম্না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মরূ-মরাং, সাপোন, কাং হীদাক অমসুং কোন ফেংনবা মচাকশিং য়োন্দুনা শেল তাল্লম্লে।

কোলেজ তম্না-তম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিলিফ কেম্পতা থম্বীরক্লিবা অহল অমনা হায় : খোঙ হান্বা ফাওবা কা মনুংদা বকেটতা হান্বা য়াওরে, য়াম্না নুংঙাইরে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংপোকপীগী কলাপহারদগী খুঞ্জা




**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী মখোয়গী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্নগা ওনশিন্দুনা চথুরক্লিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিং মায়োক্লবদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা চহী অনী হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগা মথং-মথং উন্দুনা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলদা ফাওবা অমসুং মখোয়না মায়োক্লবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্তুনা মীয়ামদা 'হকথেংনবা পাউদম' গী মখাদা লেপ্তুনা রিপোর্ট তৌরকপগী মখা তারকপদা চূড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হিয়াংথাংগী কামখ্য পেমতোন কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৫৬ শুরবা মোইরাংথেম বিরেননা পাউচে অসিদা হায়, কা অমখক্তদা ইচাশিংগা পূন্না লৈমিন্নরকপনা ময়ূম-মকৈ পানবা য়ারবা ইচানুপীশিংনা মফি-মরোল হোংবদা ওইরো, মরক্তা ফরক তারক্তুনা হকচাং শেংদোকপা (খোঙ হান্বা) ফাওবা ইকায় হঙ্গৈইনা হায়রবদা ঐনা মপান্দা ঙাইরগা কা মনুংদা বকেটতা খোঙ হান্বা ফাওবা য়াওরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অদুক্কী মতিক হিংনীংদ্রবা পূন্সি মহিং অমদা ইরাল লৈজদ্রবা ঐখোয়বু থম্বীফম থোক্তে। রিলিফ কেম্পতা হিংলক্লিবা পূন্সি মরেল অসি অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরে। থম্মোয়দা পূন্সি চূপ্পা য়ুরগা লৈহৌরগদবা মে ৩গী থৌদোকশিং অদুনা অহল ওইরকপদগী চেনবা ফাওবা ঙমজদ্রবী ইনেশিংনা 'ঐখোয়দি অহল ওইরে, নখোয়দি নচা শেমগদবা ৱাৎলি চেলহৌরো' হায়না কোক্তা নাম্থৱীখিবা থৌদোক অদুনা অৱাবা মীৎকুপশিং কাউথোক্লবা হোৎনদুনা নীংশিংলগা চহী অনী হেন্না লৈরক্লিবনি হায়রকখি। ইনাকখুনবা পোলিটিক্স তৌবা ময়াম্না শান্নরিবা লীলাশিং অসিদা ঐখোয়গী মীরোল ৩/৪ য়াম্না ৱানা মীগা মীমান্নবা ঙমদনা লাক্লবসু ঐহাক্কী মীরোলদদি ইচা-ইশু ফাওবদি শেমজবা ঙম্লে হায়না চাউথোকচরম্বা পূন্না পুমকায় কায়হন্দুনা হেন্না লুবা ফীভম অমদা লৈরে। (মথং-মথং)

### স্কাই হোস্পিটালগী ফ্রী হার্ট স্ক্রিনিং কেম্প

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী রিমস রোদতা লৈরিবা স্কাই হোস্পিটালনা থৌবালগী মেলা গ্রাউন্দ য়ুথস, হায়রে য়ুথ ষ্টার য়ুনিয়নগা পূন্না খূৎশম্নদুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### 'দি বীষ্ট ৱিদিন'

**ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচএনএস) :** পোৎশংবম তোম্বা লিগেসি থিএটরনা নুমিৎ ১৫নি চূপ্পা পাঙথোরকপা ৱার্কশোপ লোইশিল্লদুনা ৱার্কশোপ অসিগী প্রদক্সন প্লে 'দি বীষ্ট ৱিদিন' ঙসি চঙাঙ্গৈদা লৈবা এন টি থিএটরদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদগী মীয়ামদা উৎখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫